# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খুৎলায়, ড্রগ লল্লোনবা অমসুং আইন্না থিংখ্রবা লালহৌবশিং ফারে।

২) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা ঙসি নোং চুরবা য়াই।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লাক্কদৌরিবা চহি তরা অসিদা ভারত অমসুং জপান লৈবাক অনিনা তৌগদবা থবকশিংগী পোরম য়াৎথোকপা লোইরে।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা শগোলমাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা উয়ুমপোক্কী চগেম লোকচাউদগী খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি- মেগজিনগা লোয়ননা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স

ইন্সাস রাইফল অনি অমসুং মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা য়াওরি।

অমরোমদা, নম হাদুনা শেল খায়বা অমসুং আইন্না য়াদবা থবক থৌরমশিং চথুবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী কে.সি.পি (পি.এস.সি)গী লালহৌবা অহুম ফাগৎখি। মখোয়দগী মোবাইল হেন্দসেট ৬ কা লোয়ননা আধার কার্দ অনি ফংবা ঙমখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা সেনাপতি জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মাও গেট পুলিস চ্যেক পোষ্টতগী ড্রগ লল্লোনবা মীওই অনি ফাগৎখি। মখোয়দগী সাপোন কেপ ৮ দা হাপ্তুনা পুরকপা ব্রাউনসুগর গ্রাম ১১৩ গা লোয়ননা মোবাইল ফোন অনি ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা জিলা অসিমক্কী হৈবুং পুলিস আউটপোষ্টতগী ড্রগ লল্লোনবা মীওই অমসু ফাগৎখি। ফারবা মীওই অদুদগী সাপোন কেপ ২০৫ দা হাপ্তুনা পুরকপা কিলোগ্রাম অহুমলোমগী ব্রাউনসুগর, শেল ওইনা লুপা লাখ ২ লিশিং ৫০, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল হেন্দসেটকা লোয়ননা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

মরক অসিদা, ওপরেসন শিন্দুরদা লৈখিদ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইরিপোক য়াম্বেমদগী বি.এস.এফ পার্সোনেল দিপক চীংঙাখমগী মনাউনুপাবু মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্তর ওইনা থবক হাপখ্রে। খোঙথাং অসি লৈখিদ্রবা পার্সোনেল অসিনা ওপরেসন শিন্দুরদা লৌখিবা থৌদাং অদুবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা রাজ্য সরকারনা পায়খৎলকপনি।

ডে (এল) ঃ রাজ্য সরকারগী ফুড সেফতি এদমিনিষ্ট্রেসন, হেলথ দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা নেসনেল স্পোর্টস ডে ২০২৫ গী থৌরম ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা পাঙথোক্লি। লংথবালগী চুমথাং শান্নপুংদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মরুওইবা হিরমদি- এক ঘন্তা, খেলকে মাইদান মে হায়বসিনি। তোঙান তোঙানবা মশান্নশিং পাঙথোকপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

নোং (এল) ঃ রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা ঙসি অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট য়াওনা রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা নোং চুগনি। তমেংলোং, সেনাপতি, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা হয়েংসু ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লাক্কদৌরিবা চহি ১০ অসিদা জপান্না ভারত্তা লৈবাক অদুগী শেলদা য়েন ত্রিল্লিয়ন ১০ থাদনবগী পান্দম থল্লি। মসিনা লৈবাক অনিমক্তা লৈরিবা অপিক অপিকপা ইন্তরপ্রাইজেস অমসুং ষ্টার্টঅপশিংদা হেন্না মীৎয়েং থমগনি।

তোকিওদা পাঙথোকপা ১৫ শুবা ইন্দিয়া জপান এন্যুএল সম্মিৎ লোইরবা মতুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কা ফম মান্নবা জপানগী সিগেরু ইসিবাগা পুন্না পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা শ্রী মোদিনা হায়- লাক্কদৌরিবা চহি তরা অসিদা ভারত অমসুং জপান লৈবাক অনিনা তৌগদবা থবকশিংগী পোরম য়াৎথোকপা লোইরে। ইনভেষ্টমেন্ট, ইনোভেসন, ইকোনোমিক সেক্যুরিতি, টেকোলোজিনচিংবা হিরম কয়াদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক কয়া পায়খৎকনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লাক্কদবা চহি মঙাদা লৈবাক অনিনা হ্যুমেন রিছোর্সকী লমদা তেংবাং পীননবা এক্সন প্লানসু শেমগনি হায়না লাউথোকখি। তোঙান তোঙানবা লমশিংদা লৈবাক অনিগী হৈথোই শিংথোইরবা মীওই লাখ ৫ না তেংবাং পীনবা য়াওরি। মসিগী মনুং চন্না হৈথোই শিংথোইরবা ভারত মচা লিশিং ৫০ না জপানগী শেল থুমগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। মহাকা মখা তানা হায়- ভারত অমসুং জপানগী মরী অসি দিল্লি অমসুং তোকিও খক্তদা লোইশিল্লোই। তেরোরিজম, ঙাকশেল অমসুং মেরিটাইম সেক্যুরিতিগী লমদা

লৈবাক অনিনা মান্নবা মীৎয়েং থল্লি ।

যুথ ঃ কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়শিংগী ৩৫ শুবা নেসনেল যুথ পার্লিয়ামেন্ট কম্পিতিসন ২০২৪-২৫ গী অথোই অহেন তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম ঙরাং নিউ দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা বি.জে.পিগী এম.পি. বনসুরি স্বারাজনা হায়- সংসদকী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙলবা অঙাংশিং অসি লৈবাক অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইবা খক নত্তনা তুংগী লুচিংবা কয়া ওইরক্কদৌরিবনি। মহাকা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংগা লোয়ননা অকোইবগী ফিভম ঙাক্তুনা থমবা অফবা পুন্সি মহিংদা হিংনবা পুন্না ৱাশক লৌমিন্নখি।

কুমশি চহিগী কম্পিতিসন অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রিজন ২৫ গী কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয় ১৭৫ না শরুক য়াখি। কম্পিতিসন অসিগী অহানবা মনা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়, ও.এন.জি.সি শ্রীকোনা, সিলচর রিজননা তাখি।

জোইন্ট মিতিং ঃ কেন্দ্রগী লো এন্দ জষ্টিস মন্ত্রি আর্জুন রাম মেঘৱালনা হায়রি- ভারতনা তোঙান তোঙানবা অরবিত্রেল ইন্সটিট্যুসন কয়া লিংখৎপদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা অরবিত্রেসনগী লমদা গ্লোবেল হব অমা ওইবা ঙম্লক্লি।

ৱাফম অসি লো এন্দ দিস্প্যুট রিজোলুসনগী লমদা তাথোক তাশিন তৌননবা সহি তৌনখিবা য়ান্ন-ৱারোলগী মখাদা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকপা ইন্দিয়া-সিঙ্গাপুর জোইন্ট কন্সলটেতিভ কমিতিগী অহানবা মীফমদা শ্রী মেঘৱালনা ফোংদোকখিবনি।

মন্ত্রিনা হায়- য়ান্ন-ৱারোল অদুদা লৈবাক অনিনা আরবিত্রেসন অমসুং মেদিএসনগী লমদা ইন্সটিট্যুসনগী তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমশিং য়াওরি।

ফুটবোল (এল) ঃ সব-জ্নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ কী ফাইনেলদা ঙসি মণিপুরগা ঝারখন্দগা থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ অসামগী জোরহাৎতা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মখায়দগী শান্নবা হৌগনি।

ফুটবোল (এল) ঃ ভারতনা সাফ অন্দর সভেন্তিন ৱিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ লৌরে। ভুতানগী থিম্পুদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতনা নেপালবু পাঞ্জল ৫-০ দা পীখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

হাই কোর্টনা পঞ্চায়টকী মীখল পাঙথোকবা খণ্ডহনখিবা, মণিপুরগী ইরাং অসিগী মতাংদা পি.য়ু.সি.এলনা ফোংলকখিবা রিপোর্টপু এম.পি. ডাঃ বিমোল অকোইজমনা শাশিন্নবনি হায়না মরাল শিখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

থা ৬ কী মনুংদা পঞ্চায়ট বোদি মীখল পাঙথোকবা হাই কোর্টনা ওর্দর পীখ্রে। পঞ্চায়টকী চহি শাংথহনবা কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদনি হায়না হাই কোর্টনা থমখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক পোকফম, মোর্নিং বেল, হুইয়েন লানপাউ, মণিপুর মেল অমসুং নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবরতিজ (পি.য়ু.সি.এল)না ফোংলকখিবা রিপোর্ট অদু য়ুম্ফম য়াওদবা শাশিন্নবা ৱাফমনি হায়না এম.পি. ডাঃ বিমোল অকোইজমনা মরাল শিখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিগা মরী লৈননা এম.পিগী ৱাফমগী মতুংইন্না হিরম অসিগী মতাংদা পাব্লিক দিলিবরেসন অমা থমবা পি.য়ু.সি.এলনা শেম শারে হায়বা পাউ

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গ্রেতর ইম্ফালগী লম্বীশিংদা রিজিৎ পেভমেন্টকী থবক হৌরে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী এনকর কলমদা ফোংলি।

কুকিদা দ্রোন পীরম্বা আমেরিকা মচা দেনিয়েল নেপালদা ফারে হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফালদা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা সিনেমা হোল অনিখক্তমক চলাইরি, মণিপুরী সিনেমাগী তুংগী ফিভম খনবদা লুরি হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা নেসনেল স্পোর্টস ডে পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ মোর্নিং বেলগী এনকর কলমদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা গভর্নর আজয় কুমার ভল্লানা চেয়ার লৌদুনা এম.এস.আর.এল.এমগী রিভিউ মিতিং পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এম.এল.এ- দিনগাংলুং গাংমৈনা নোনে জিলাগী নুঙবা সব-দিভিজনেল হেদক্টরসতা হাইপৌ জাদোনংগী মীতমগী মায়খুম হাংদোকখ্রে হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিগা মরী লৈননা ৯৪ সুবা হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী নুমিৎ পালন থৌরম মহাক্কী পোকফম পুইলুৱান খুলদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------